# সী দব্লিয়ু জি ২০২২ : জুদোকা লিকমাবম শুশিলানা সিলভর, ৱেথলিফটর অচিন্তা শিয়ুলিনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে





বর্মিংহম, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
বর্মিংহমদা চথরিবা ২২ শুবা কমনৱেল্থ গেমস (সী দব্লিয়ু জি)কী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা ষ্টেটকী জুদোকা লিকমাবম শুশিলানা জুদো মশান্নগী নুপীগী কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী ৭শুবা মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

নুমিৎ অসিমক্তদা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর অচিন্তা শিয়ুলিনা ৱেথলিফটিং মশান্নগী নুপাগী কেজি ৭৩গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল অমদি জুদোকা বিজয় কুমার য়াদবনা নুপাগী কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা হৌজিকফাওবদা গোল্ড ৩, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৮ ফংদুনা মেদল টেলিগী ৬শুবা মফমদা লেংদনা লৈরি।

মমাংচহীগী টোকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াখিবী লিকমাবম শুশিলানা নুপীগী কেজি ৪৮ কাঙলূপকী ফাইনেল বাউটতা সাউথ অফ্রিকাগী মিচেলা হ্বাইটবুলগী মখূৎতা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না ২০১৪গী গ্লাসগো কমনৱেল্থ গেমসতসু সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

জুদোকা মশান্না অসিগী নুপাগী কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা বিজয় কুমার য়াদবনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

ৱেথলিফটিং মশান্নগী নুপাগী কেজি ৭৩গী কাঙলূপ্তা অচিন্তা শিয়ুলিনা পূন্না কেজি ৩১৩ থাঙ্গৎতুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৭০ অমদি স্নেটচতা কেজি ১৪৩ থাঙ্গৎখিবনি।

অমরোমদা, ষ্টেটকী সাইক্লিষ্ট রোনাল্ডো লাইতোঞ্জম সাইক্লিং মশান্নগী নুপাগী মিটর ১০০০গী টাইম ট্রায়লগী ফাইনেলদা মিনট ১:০২:৫০০দা লমথুংফম য়ৌদুনা ১২শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

বোক্সিং মশান্নদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী- অমিট পনঘল অমদি মোহমদ হুসামুদ্দিননা মখোয়গী লম্বা ভানুৱাতুগী নামরি বেরি অমদি বাংলাদেশকী সলিম হোসেনবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হোক্কী মশান্নগী নুপাগী পুল বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপা টিম অমদি ইংলেন্দ ৪-৪দা দ্রো ওইখ্রে।

লোন বোল মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়াগী মীওই ৪না শাবা নুপী টিমনা সাউথ অফ্রিকাগা ঙসি অথেংবদা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| Australia | 24 | 18 | 19 | 61 |
| England | 19 | 18 | 10 | 47 |
| New Zealand | 12 | 7 | 4 | 23 |
| South Africa | 5 | 1 | 2 | 8 |
| Canada | 4 | 8 | 14 | 26 |
| India | 3 | 3 | 2 | 8 |
| Scotland | 2 | 7 | 9 | 18 |
| Malaysia | 2 | 2 | 2 | 6 |
| Nigeria | 2 | 0 | 2 | 4 |
| Wales | 1 | 2 | 7 | 10 |
| Trinidad and Tobago | 1 | 1 | 1 | 3 |
| Singapore | 1 | 1 | 0 | 2 |
| Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Uganda | 1 | 0 | 0 | 1 |

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# নাপসা, আই বি এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা নাওরিয়া পাখংলাকপা স্পোর্টস এসোসিএসন (নাপসা) খা-ইম্ফাল অমদি ইন্দো বর্মা রোদ স্পোর্টিং এসোসিএসন (আই বি এস এ) শীংজমৈ মায় পাকখ্রে।

নাপসানা পূন্না মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ১ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ২ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী ৪শুবা মফমদা লৈরি। আই বি এস এনা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা গ্রুপ বিগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নাপসা খা-ইম্ফালনা ওস্কার পাওনা বজারবু রন ১৪১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নাপসানা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯৯ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ওস্কার টিমনা ওভর ২০.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ৫৮ লৌদুনা নাপসা টিমগী মখূৎতা রন ১৪১দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা নাপসাগী ক্ষেত্রিময়ুম চিঙ্খৈনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ২৫দা রন ২৬ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৩.১ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।



অমরোমদা, লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা আই বি এস এ শীংজমৈনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৮দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১২ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আই বি এস এনা ওভর ২৯.৩দা ৱিকেট ৬ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ক্ষেত্রিগাও টিমবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা আই বি এস এগী কারন প্রজাপতিনা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন লীগ

# ১১ ষ্টার, অংথা এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্টকী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা চথরিবা মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎ অমদি অংথা এফ সী মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা পি ৱাই এ কাইরংবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

১১ ষ্টারগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লংসিঙম রিয়ামৈ, গোলমৈ অপু অমদি গিফটসন কামৈনা শান্নবগী ৫৫, ৭৪ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

কাইরংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পি এম রাকেভৈচেনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অসিদা কাইরংগী এম দি রসিদ রেফরি এম ইনাওনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা অংথা এফ সীনা এস এস সী পোরোম্পাৎপু লাকচনা ১২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অংথাগী গোলশিং অদু এম সোমোকান্তনা ৪, এম দিয়ানা ৩, অদুগা কে ঐচ ৱাহৈদুর, এস বোরিশ, এল ইন্দ্রনাৎ, টি রোহিট অমদি পি সেমসননা শান্নবগী ২৯, ৫৩, ৬৩, ৮৪ অমদি ৮৬ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি।

সোমোকান্তগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৬৯ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী মরিশুবা অমদি মায় পাকপগী ১১ শুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি। দিয়াগী গোলশিং অদুনা শান্নবগী ৬৪, ৬৫ অমদি ৮১ শুবা মিনটতা চনখি।

# ষ্টেটকী কিক বোক্সরশিংনা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মেদল ৫৪ লৌরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
ৱাকো ইন্দিয়া কিক বোক্সিং ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা কোলকাটাগী সত্যজিৎ রে ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা জুলাই ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনল চিলদ্রেন, কেদেট অমদি জুনিয়র কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড ২১, সিলভর ১০ অমদি ব্রোঞ্জ ২৩ পূন্না মেদল ৫৪ লৌরকখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি চিলদ্রেন কাঙলূপ্তা কুমাবম তোমথিনঙানবা, নিংথৌজম্বম রেমোসন, হাওবম নিশিতা চনু, লনচেনবা লাইফ্রাকপম, অয়েকপম নুংশিতোম্বী চনু, থোকচোম লনচেনবী অমদি ওক্রম নতৌলৈবী চনু; কেদেট কাঙলূপ্তা মুতুম দয়ানন্দ, ঙানবা লাইশ্রম, অসেম দ্রুবরাজ অমদি নিংথৌজম্বম সরিতা; জুনিয়র কাঙলূপ্তা রাকেশ অতোম, এম দি অলম অজাদ, কে ঐচ নেপোলিয়ন, মোইরাংথেম অবিয়া, অশাংবম কোইরেং, অলবর্ট অসেম, সৌগ্রাকপম হিটলর, সাপম বিজেতা চনু অমদি পুয়াম জেনিতানি।

সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুনা চিলদ্রেন কাঙলূপ্তা হাওবম সনাথোই অমদি য়োহেনবী খাঙেম্বম; কেদেট কাঙলূপ্তা মোইরাংথেম ৱাংলেম্বী চনু অমদি নাওরেম মালেমঙানবা; জুনিয়র কাঙলূপ্তা সোইবম সৈলেশ, চানম্বম থোইবা, এন রাহুল, কেমিও সিনাম, হুইদ্রোম নোংশাবা অমদি অসেম চিংলেম্বা মীতৈনি।

ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবশিং অদুনা চিলদ্রেন কাঙলূপ্তা থোঙাম বাজিতা চনু, মোইরাংথেম ৱাংলেম্বা মীতৈ অমদি ওক্রম নতৌলৈবী চনু; কেদেট কাঙলূপ্তা খ্বাইরাকপম থোইথোইবা মৈতৈ, লোইতোংবম মার্জিৎ, গেদাজিৎ ইরেংবম, কুমাবম চিঙ্খৈঙানবী, কোন্সম ভেলেন্টিনা, কোংখাম য়াইস্না চনু, ময়াংলম্বম বেনর্জি, নিংথৌজম্বম বিজয়, কাঙবম দোল্লি, মুতুম দয়ানন্দ, মোইরাংথেম ৱাংলেম্বী চনু, পুয়াম জেনিতা অমদি লোইতোংবম মিজা; জুনিয়র কাঙলূপ্তা সী ঐচ দয়ানন্দ, এম অমর্জিৎ, নিংথৌজম্বম দেপুটসন, থোঙাম ইনাও, টি ঐচ জিনট, রোবর্ট সী দুলিয়ন অমদি ঐচ জিতেননি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা সঞ্জাম্বম সনাতোম্বা মৈতে (টিম মেনেজর), খুন্দোংবম বোবি (কেদেট অমদি জুনিয়র নুপাগী টিম কোচ), হিজম দমেন্তি (কেদেট অমদি জুনিয়র নুপীগী টিম কোচ), নিংথৌজম য়াইফবা মীতৈ (চিলদ্রেন বোইজ টিম কোচ), এম চনিংখোম্বী চনু (চিলদ্রেন গর্লস টিম কোচ), এন ননাও অমদি থোইস্না য়ুম্নাম (কোচ) অমসুং ইরেংবম তাবুং (ওফিসল)না শরুক য়াখি।

# মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা মিরাবাই অমদি বিন্দ্যারানীবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
যু কেগী বর্মিংহমদা চথরিবা কমনৱেল্থ গেমসকী নীনি চনবা নুমিৎ জুলাই ৩০দা ষ্টেটকী নুপী ৱেথলিফটর অনী সাইখোম মিরাবাই চনু অমদি সোরোখাইবম বিন্দ্যারানীনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌরকপবু মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মিরাবাইনা নুপীগী কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা পূন্না কেজি ২০১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮৮ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৩ থাঙ্গৎখি।

বিন্দ্যারানীনা পূন্না কেজি ২০২ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংখিবনি। মহাক্না ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৬ থাঙ্গৎতুনা ন্যু গেম রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। অদুগা স্নেটচতা কেজি ৮৬ থাঙ্গৎখিবনি।

# ট্রাইথলোনগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
উদয়পুরদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বরগী ২শুবা চয়োলদা ইন্দিয়ন ট্রাইথলোন ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র অমদি সিনিয়র ট্রাইথলোন চেম্পিয়নশিপ অমদি গুজরাটতা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসতা শরুক য়ানবা ট্রাইথলোন এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ৭তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না ট্রাইথলোন এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি কে জয়ানন্দনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা ইন্দিয়ন ট্রাইথলোন ফেদরেসননা পীবা গাইদলাইনশিং অমসুং রুল এন্দ রেগ্যুলেসনশিংদা মতিক চাবা ষ্টেটকী ট্রাইথলেটশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদগী খনগৎলবা নুপা অমদি নুপী ট্রাইথলেট ২/২না মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগনি হায়রি।

ADMISSION OPEN (2022-23)
in top ranking Universities & Institutions in INDIA/ABROAD

Courses
B.Sc. Agriculture
B.Sc. Forestry
B.Sc. Horticulture
B.Tech (Food Tech.)

Courses
MBBS (India & Abroad)
Clinical Psychology
BPA (Performing Art)

Courses
B.Tech. (All streams)
BAMS (Ayurvedic)
BHMS (Homeopathic)
BNYS (Yogic Science)
(NEET not required)

Courses
Nursing
D.Pharm, B.Pharm, M.Pharm, Pharm D
BBA (ACCA/CMA Certification),
BBALLB, Hospitality, MBA

SPECIAL SCHOLARSHIP SCHEME
FOR MERITORIOUS STUDENTS

For details please contact @
ACCENT CAREER SOLUTION
Konjeng Hajari Leikai, Tiddim Road, Imphal West
above Khaddim's Show Room opp. Sangai Express
Phone : 8837454543
HL-P/1373/13 to 10 alt.

# রেফরি রিফ্রেশর কোর্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা রেফরি রিফ্রেশর অমদি ক্লিনিক কোর্স ঙসি জিরিবামগী এ জে এস এ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কোর্স অসিদা জিরিবামগী রেফরি ১৭না শরুক য়াখিবগা লোয়নননা এ আই এফ এফকী রেফরি আই রবিচন্দ্রনা ইন্সট্রক্টর ওইনা তাকপী-তম্বীখি। হৌদোকপগী থৌরমদা এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তসু শরুক য়াখি।

# এম এস এল অমদি অম্ফা কপগী হান্না লেপ্লম্বা মতমদগী অহোংবা লৈরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অমদি ২শুবা অম্ফা কপকী হান্না লেপ্লম্বা মতমদগী অহোংবা লৈরগনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর ষ্টেট লীগকী ওইনা ওগষ্ট ১০দগী হৌগনি তৌরম্বা অদু ওগষ্ট ২০দগী হৌরগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংনা মখোয়-মখোয়গী শান্নরোয় ২৫গী ফাইনেল লিষ্ট ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা অম্ফাগী ওফিসতা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

অনীশুবা অম্ফা কপ ২০২২গী ওইনা হান্না ওগষ্ট ২০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু সেপ্টেম্বর ২দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ওগষ্ট ২০ ওইগনি। অদুগা টিমশিংনা শান্নরোয় ২৫গী ফাইনেল লিষ্ট পীখৎলকপগী মতম্না ওগষ্ট ২৫ ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, ১২শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগকী ওইনা মেনেজর্স মীটিং ওগষ্ট ২গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

মীটিং অসিদা টিমশিংগী মেনেজর নৎত্রগা সেক্রেটরিশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।

# ফেন্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসতা ফেন্সিং মশান্নগী মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৪গী অয়ূক পুং ৭.৩০দগী হৌদুনা ফেন্সিং হোল সাই তাকয়েলদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ট্রায়ল অসিদা নুপা অমদি নুপীগী ফোইল টিম ইভেন্ট, নুপা অমদি নুপীগী ইপি টিম ইভেন্ট অমদি নুপীগী সেভর টিম ইভেন্ট পাঙথোক্কনি।

ইলিজিবল ওইবা ফেন্সরশিংনা ট্রায়ল নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৭তা রেজিষ্ট্রেসন ফী অমদি পাসপোর্ট সাইজ ২গা লোয়নননা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।


# ইম্ফাল ইষ্ট শুটিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা ষ্টেট গেমস (মণিপুর ওলিম্পিক গেমস) ২০২২গী শুটিং মশান্নদা ইম্ফাল ইষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শুটরশিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ওগষ্ট ৯ অমদি ১০দা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা নুপী শুটরশিংনা এয়র রাইফল অমদি এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী অদুগা নুপা শুটরশিংগী ওইবা এয়র রাইফল, এয়র পিষ্টোল অমদি রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফোর্ম থাজিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

শুটরশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল কুল্লবন্তদা থা অসিগী ৫গী অয়ূক পুং ৬তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফী লুপা ২০০গা লোয়নননা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 532**

**Murray Chandler - Yehuda Gruenfeld**
**Lone Pine Lone Pine, CA USA (7), 1979.04.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 g6 | 3.c4 Bg7 | 4.Nc3 d6 |
| 5.f4 Qb6 | 6.Nf3 Bg4 | 7.d5 Nd7 | 8.Na4 Qc7 |
| 9.Bd2 Ngf6 | 10.Bd3 O-O | 11.Rc1 cxd5 | 12.cxd5 Qb8 |
| 13.b4 b5 | 14.Nc3 a6 | 15.O-O Nb6 | 16.a4 Nc4 |
| 17.Bxc4 bxc4 | 18.Rb1 a5 | 19.b5 Nd7 | 20.Qc2 Qb6+ |
| 21.Kh1 Rfc8 | 22.Ng5 h6 | 23.Nxf7 Kxf7 | 24.h3 h5 |
| 25.hxg4 hxg4 | 26.Kh2 Bd4 | 27.g3 Rh8+ | 28.Kg2... |

**QUESTION :**
**Black to checkmate**

**Puzzle 531 Ans. :**
33. ...Bf4 34. Be3 Rxe3 35. c6 Bc8 36. b6 Re4 37. Qd5+ Kg7 38. Rf1 Rb4 39. Qxa5 Bd6 40. Qa8 Qe5 41. g3 Bxh3 42. c7 Bxc7 43. bxc7 Qxc7 44. Re1 Qb7 0-1

EMPLOYMENT NEWS
Moirang Branch :- Office Asst. (Graduate) 2, Gr-IV - 2
Thoubal Branch :- Office Asst. 2, Gr-IV - 2
Nambol Branch :- Office Asst. 2, Gr-IV - 2, 2 Wheeler Mechanic 2
Samurou Branch :- Office Asst. 2, Gr-IV 2, Car Wash Helper 2, 2 Wheeler Mechanic 2
Imphal Branch :- Asst. Manager 2, O/A - 2, Security - 2, Gr-IV-2
Kakching Branch :- Office Asst. 2, Gr-IV - 2, Tyre fitting helper - 2, Mechanic 2
Sd/- M.M. Singh
# 9774495994
# 8731978490
HL-B/7700/2

HL-B/7662/31/7-14/8 (alt)

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE - XI Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 1st August, 2022
FOUNDATION COURSE - XII Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 8th August, 2022
Special features
● NEET & Engg. Nurture Class
● Unitwise / Chapterwise Test (every Sunday)
● Descriptive / MCQ Type Test
● Hostel for Boys & Girls
For more details, please contact:
Coordinator, APOLLO Academy
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
(7:00 a.m. - 4:00 p.m.)
8258013846

HL-B/7775/2/8-28/9

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com